# এৱাৰ্দশিং য়েন্থোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*এৱাৰ্দশিং লান্থোকখি।

থৌরম অসিদা মীফমলোয় ওইনা শরুক য়াখিবী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ূম শর্দানা ফোঙদোকখিবদা নুপী অমা ওইনা ইশাগী হক হায়বসি খঙনা ফংফম থোকপা হক তানসি। ইশাগী হক খঙদনা তানগুমসি হায়খি। শেন্বীবা মপুনা নুপী অমসুং নুপা ওইবশিংদা পীরিবসি তঞ্জাই তঞ্জাইনি অদুবু নুপীনা শোথরে হায়রগদি মান্ননবা খরা হেন্না হোৎনবা তাবনি। মমা ওইগদৌরিবীশিংনা অলত্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংবদা নাওচেল্লিবা অঙাংবু নুপীনি হায়রগদি পূক্নুংদা লৈরিঙৈদা হাৎতোকপা য়াদনবগীদমক অটল বিহারি বাজপায়না প্রেগনেন্সি এক্ট হায়না শেমদুনা পুথোকপীরম্লে হায়খি।

হৌজিকসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেটি বচাও বেটি পরহাও হায়না হৌদোরক্তুনা মসিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্লি। লোয়ননা হৌজিক্কী মতম অসিদি নুপানা তৌবা ঙম্বা থবকশিং নুপীনসু ঙম্লক্লবা মতমনি হায়খি।

থৌরম অসিদা মীফমলোই ওইনা শরুক য়াখিবী নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি ইরুংবম রানিবলানা ফোঙদোকখিবদা দিজিটেলগী ওইবা মতমসিদা নুপীশিংনা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্মবা ঐখোয় পূম্নমক শৌগৎমিন্নদুনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

অদুগা মাপনশুবা আই আর বিগী কম্মান্দেন্ট খোইস্নাম শর্মানা ফোঙদোকখিবদনা নুপীশিংনা থৌনা লৈনা হোৎনবা চঙই। নুপীশিং অসি থৌনা লৈবী অমমম ওইনা পোক্লকখিবা ঙাক্তনি। অচুম্বা অশেংবা থবক তৌবদা থৌনা লৈসি হায়খি।

থৌরম অসিদা ইমিগ্রেসনগী এস পি লাইশ্রম প্রিয়াদর্সিনিনা ফোঙদোকখিবদনা শেন্বীবা মপুনা নুপীশিংবু নুপাদগী তাদনা চপ মান্ননা শেন্বীরকপনি। লোয়ননা নুপীশিংনা ৰাখল নুংঙাইনা হিংবা হায়বসি হকচাংগসু মরী লৈনৈ। মরম অসিনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবা অমদি হোৎনবা কনবা হায়বসিনা নুপীশিংগী থৌনা লৈনা অফবা লন্বীদা চঙশিন্নবগী পান্থৈনি হায়খি।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপর্সন সলাম উলকা, অপূনবা যোগ সেন্টর লমশাংগী ওজা য়েংখোম ভাঘিনি, সেবা মণিপুরগী এদভাইজর নাওরেম লনধোনিসু মীফমলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না মীফমলোয়শিংদসু এৱাৰ্দশিং খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা কাউন্সিল্লরশিং অমদি লৈকায়গী অহলশিংদসু লেংয়ান ফি খুদোল তম্বগা লোয়ননা কলচরেল প্রোগ্রামসু উৎখি।

## নুমিৎ ৫নি চত্থগদবা...

*লামায় ১গী মখা...* মখোয়গী অপান্থা করিনো হায়বদু থিদোক্কদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম কেসোরামনা থৌরম মপু ওইখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মাখোনমনি মোংসাবনা থৌরমগী অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা ফেষ্টিবেল অসিগী অহানবা নুমিৎতা 'হাওরং লৈশং শাফবী' উৎখি। ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থিএটরগী গ্রুপশিংনা দ্রামা মঙা উৎকদৌরি।

ꯑ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫.০°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৮৮°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৬৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.১৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৫

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.527742 |
| US Dollar | 82.529483 |
| British Pound | 100.508280 |
| Australian Dollar | 55.286562 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.984455 |
| Japanese Yen | 0.624843 |
| Malaysian Ringgit | 18.403705 |
| Singapore Dollar | 61.580850 |
| South Korean Won | 0.063055 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.007862 |
| Thai Baht | 2.418277 |

# হৌজিক্কী মতমদা ফোক প্লে অসি খ্বাইদগী শেল চঙবা ওইরকপনা শান্নবীনবা লৈত্রে : আর কে নিমাই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ফোক প্লে হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী শেল চঙবা প্লে অমা ওইরে হায়রদুনা মসিবু শান্নবীনবসু লৈত্রে হায়না হান্নগী মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর ওইরম্বা ডা. আর কে নিমাই, রিটাইয়র্দ আই এ এসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো কলচরেল ত্রষ্ট, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা শীন্দুনা তরুকশুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিএটর ফেষ্টিবেল ২০২৩গী পোষ্ট ফেষ্টিবেল দিস্কসন অমা ঙসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল মনাক্তা লৈবা হোটেল কাসলদা পাঙথোকখিবদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ফোক প্লেনা ফিভম অসি য়ৌরক্লবসু মসিবু য়োকখৎনীংই। লোয়ননা কন্টেম্পররি এক্সপ্রিমেন্টেল প্লেগা লোয়ননা ফোকসু শৌগৎপা চঙই। অয়েংবশিংনা পান্থা অমসুং নুংঙাইবা ওইরগদি শোয়দনা য়েংবা লাক্কনি। মরম অসিনা অয়েংবশিংনা পান্থা প্লে শাগৎপা চঙই হায়খি।

অদুবু থায়নদি ত্রেদিসনেল প্লে ঙাক্তনি ফোক প্লে অমুক য়োকখৎনবা হোৎনবদা হৌজিক্তি শেল য়াম্না চঙবা মরম্না কিবা পোক্নরে। লৈঙাক্না মতেং পাংবনা ফিজোল খক্তদা কোন্নবা ঙম্লগসু শেল য়াম্না চঙবা প্লে অমা ওইরে। অদুবু ফোক প্লেশিং য়োকখৎপদি পাম্মী হায়খি। মরম অসিনা ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসিমক পাঙথোকপনি হায়খি।

খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোগী মীংদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেলদসু অসামগী প্লে অমা উৎলি। মতমদুগী খুন্নাইগী চৎনরম্বা শেলদা ঙাওবা, অঙাংশিংদা লমহেন তুহেনবা য়াওরকপা, খুন্নাইরোলগী লৈরম্বা মশক অমদি মদুনা পীবা চৈথেংদা ইবা প্লেনি। কুমজা ১৯৮০দগী ১৯৯০ ফাওবদা শুমাং লীলা, দ্রামা অমসুং রেদিও লিলা কয়া ইরম্মী। মরম অসিনা মণিপুরগী থিএটরগী খোঙজেলদা খোঙজেল কনখৎনবা হোৎনবা অমদি মীয়াম্না য়েংনীংহনবা হোৎনবগী পান্দমদা ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী পোষ্ট ফেষ্টিবেল দিস্কসন অসিদা ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এন প্রেমচান্দনা ৱাতেমলোই ওইখি।

পনবা য়াবদি, তরুকশুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিএটর ফেষ্টিবেল ২০২৩ অদু চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৮দগী হৌরদুনা ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরমদনা ফেষ্টিবেল অদুদা শরুক য়াখিবা প্লেশিংগী দিরেক্টরশিং য়াওনা মরী লৈনবশিংনা নৈনবনি।

## মৈ মমগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস) : হয়েং অয়ূক পুং ৯দগী ৪ ফাওবা খোংশাং এরিয়াদা পাক্তক্ল না জঙ্গল কট্টিং চত্থগদবনা ১১ কে ভি লাইন খোংশাং ফিদ্দর থিংজিনগদবনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এল নোনে দিভিজনগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা খঙহল্লক্লি।

# খুমুকচম কামিনিবাবু মেমোরিএল এৱাৰ্দ কোঞ্জাম নিলমনিদা পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): ঐখোয়গী ইনাৎপু হেন্না চাওখৎনবা পান্দমদা অহানবা গুরু পুঙ য়ৈবা খুমুকচম কামিনিবাবু সিংহ মেমোরিএল এৱাৰ্দ কছার দিষ্ট্রিক্টকী বাম মনুংখুলগী পুঙ য়ৈবা ওজা কোঞ্জাম নিলমনিদা লান্থোক্লগনি হায়না গুরু পুঙ য়ৈবা খুমুকচম কামিনিবাবু সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্ট, লমাগ্রাম কছার অসামগী চ্যেরমেন ওইরিবা খুমুকচম কান্ত বেহারিগী জিরিবাম বাবুপড়াদা লৈবা মশাগী শঙ্গাইদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অহানবা গুরু পুঙ য়ৈবা খুমুকচম কামিনিবাবু সিংহ মেমোরিএল অসি লাক্লিবা মার্চ ২৫দা কছার লমাগ্রামদা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা এৱাৰ্দ অসি পীগনি। পুঙ য়ৈবা ওজা কোঞ্জাম নিলমনি অসি লৈখিদ্রবা গুরু খুমুকচম কামিনিগী অচানবা সেবকনি, ওজা কোঞ্জাম নিলমনি হৌজিক হৌজিকসু লৈবাক মীয়াম্না শক খঙনবা পুঙ য়ৈবা ওজানি। পুকচেল শেংবা, গুরু ভক্তিদা পূক্নিং লুপচবা অসিদা ত্রষ্ট অসিনা এৱাৰ্দ অসি পীবদা মতিক চারে হায়দুনা এৱাৰ্দ অসি পীবনি হায়খি।

## ওন্নখিবা

পাউচেসিগী মার্চ ১৮ ইস্যুগী অহানবা লমায়দা 'আই এল পি ভেলিদ ওইরবা নন লোকল ২ থল্লম্বা য়ূম্বু লুপা লিশীং ১০গী ফাইন থিহনখ্রে' হায়বা হেদ লাইনদু 'আই এল পি ভেলিদ লোইরবা নন লোকল ২ থল্লম্বা য়ূম্বু লুপা লিশীং ১০গী ফাইন থিহনখ্রে' হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

–প্রুফ রিদর

# নোং চুবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা ...

*লামায় ১গী মখা...* হৌরদুনা য়াম্না কনদ্রবসু নোং লেপ্তুনা চুশিল্লকপদগী রনৱে অসিদা লেন্দিং তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখিবনি হায়রি।

রনৱে অসিগী মখা থংবা শরুক্কী সিগনেলশিং য়াদবদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী এয়রপোর্ট অসিদা লেন্দিং তৌগদবা পেসেঞ্জর পুবা ফ্লাইটশিং অৱাং মায়কৈরোমদগী পাইরক্লগা হেক হেক তাবগী থবক তৌদুনা লাকপনি হায়রি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা রনৱেগী নাক য়েৎতা হাপ্লিবা সিগনেল লাইটশিং অসি অনৌবশিংনা মপূং ফানা মহুৎ শিঞ্জিনবা লোইশিল্লকপগা লোয়ননা ৱেদরগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবা ওইদ্রবদি তঙাইফদনা পেসেঞ্জর ফ্লাইটশিং মহৌশাগুম্না লেন্দিং তৌবা য়াগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফালগী এয়রপোর্ট অসিদা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক পুং ৮.৪০দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৪.২০ রোম তারকপা ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট ১৭তগীনা ১৯ ফাওবা তারিবনি। অদুগা তাররিবা ফ্লাইটশিং অমুক হন্না এয়রপোর্ট অসিদগী পেসেঞ্জরশিং পুদুনা পাইনখিবগী থবক চত্থদুনা লাক্লিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হয়েংসু ঙসিগী অসিগুম্না অয়ূক্তগী হৌরদুনা নোং য়াম্না কনদ্রবসু লেপ্তুনা চুরক্লগদি এয়রপোর্ট অসিদা তারগদবা ফ্লাইটশিং মখা তানা কেন্সেল তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদ্রি। তৌবগীদি এয়রপোর্ট অসিদগী পেসেঞ্জরশিং পুরগা পাইখৎপদদি খুদোংচাদবা মায়োক্নদ্রি।

# ককচীংদা মোরেরোমদগী পুথোরকপা য়োংচাক্কী...

*লামায় ১গী মখা...* য়োংচাক ৫০ পুনবা মপুলদা হোঙলবদা লুপা ১৫০দগীনা ২০০দগী হৌরগা ৩৫০ ফাওবা য়ৌনা লৈনখিবনি। অদুবু থা অসিগী ১১দা লোইশিনখিবা য়াওশঙ কুম্মৈ মতুংদগীদি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী মোরেরোমদগী য়োংচাক থন্না হাপ্পা গাড়ী কয়া ককচীং কৈথেলদা থুংলবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ঙরাং খক্তগী ওইনা পূন্না য়োংচাক গাড়ী ১৪/১৫ রোম থুংলদুনা নুমিদাং পুং ১১ তারমদাই ফাওবদা ককচীংগী কৈথেলদা মথা-মথা থাদুনা য়োন্নখি। থেংলবসু লৈবা লাকপা মীওইশিংনা কৃক-কৃক ইন্নখি। য়োংচাক য়োনবা অমসুং লৈনবগীদমক মী কা হেন্না তিল্লকপদগী ককচীং পুলিসকী মায়কৈদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মাইক পান্দুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

মমাঙ চহীশিংগা মান্নদনা হন্দক য়োংচাক খংহোঙ হোঙদোরকপগী মরম করিগী ওইগদগে হায়না থিজিল্লবদা ম্যান্মারদা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১দগী মিলিটরি লৈঙাক লাকখিদুনা লৈবাক অদুগী প্রো দেমোক্রেসিগী লুচিংবী ওং সান সু চি অমদি মহাক্কী তুং ইনবশিং ফাজিন্দুনা থমখিবনা মরম ওইরদুনা মিলিটরি জুন্তাগী মথক্তা ঈরাং তৌবশিংগা ম্যান্মার লৈঙাক্কগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা খূৎ থোক্নরকপনা মরম ওইরদুনা মোরে টাউনগা তাইননা লৈরিবা নম্ফালোং কৈথেলসু কোভিদ-১৯ মতমদগী থিংজিন্দুনা লৈরকখিবনা ম্যান্মারগী য়োংচাকশিংগী য়োনফম লৈরক্তবনি। মরম অসিনা লৈবা লাকপা মীওইশিংগী মশীংসু হন্থখিবনি। মরমশিং অসিনা ম্যান্মারগী মীয়ামগী হিংনবগী লানফমদা শেল থুমগী অৱাবসু মায়োক্নরকপগা ইরোয়ননা মোরে তম্না লাক্লগা য়োংচাক য়োনবদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরকপদগী য়োংচাক্কী মমল হান্নদগী য়াম্না তাথনা য়োনবা হৌগৎনরকপনি হায়রি।

ম্যান্মার মচাশিংনা মশাগী মরমদা থাজবা য়োংচাকশিং হেক্তুনা য়োনবদসু খুদোংচাদবদগী ম্যান্মারগা তাইননা লৈবা মণিপুরগী ঙমখৈ রোমদগী চীংমীশিংনা চঙশিল্লগা হেক্লগা পুথোরকপসু য়াওই অদুগা অহেকপা য়োংচাকশিং খূৎশিন্নরকপসু য়াওই। মরমশিং অসিনা হন্দক চহীগী ওইনা য়োংচাক্কী মমল থাজদনা তাথরকখিবনি হায়রি।

# দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশীং...

*লামায় ১গী মখা...* হঙ্গাম থাবীগী মফম অমদা থি-হুম্বগী থবক চত্থখি। মফম অদুদগী মীওই অহুমগা কোন্ননা ইকো ভেন অমগা স্বিফ্‌ট কার অমগা কোন্ননা ফাগৎলকখি। দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অসিগা কোন্ননা ফারবশিংনা লিলোং হঙ্গামথাবীদগী এম দি ইমটিয়াজ রহমন এলিয়জ ননাও (২৪) অপোকপা এম দি নুর রহমন, লিলোং য়াংবী লৈকায় বোরোই মখোঙদগী এম দি অরি খান (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা নাহিমুদ্দিন অমদি কৈখু মখা লৈকায়দগী এম দি এবদুর ৱাহিদ (৩৬) অপোকপা এম দি নসির অহম্মদনি হায়রি। মখোয় অহুম্না দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অসি তোঙান তোঙানবা পেকেট ২০০ থোক্না য়োমশিল্লগা গাড়ীশিং অসিদা হাপ্লগা পুরকখিবনি হায়রি।

# বি জে ৱাই এমগী থবক থৌরম...

*লামায় ১গী মখা...*ওর্দর অসিগী কোপিশিং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রভারি ডা. সম্বিট পাত্রা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অভে কুমার গিরি অমসুং বি জে ৱাই এমগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাজু বিসতানচিংবা য়াওনা মরী লৈনবশিংদসু পীখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি মশাগী চহী ২৭ খক্তা ঙাইরিঙৈ কুমজা ২০২১দা এম বারিশপু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা পীখিবা এপোইন্টমেন্টগী মতুংইন্না বি জে ৱাই এম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি অমসুং বি জে ৱাই এম অসিগীদমক মখল কয়াগী থবক থৌরমশিং মহাক্কী লুচিং মখাদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

ꯑꯦꯝꯄ꯭ꯂꯣꯏꯃꯦꯟꯇ ꯄꯥꯎ
**EMPLOYMENT NEWS / থবক্কী পাউ**

1) 2 Boarding Nurse (Salary - Negotiable)
2) 2 Boarding Bus Drivers (Rs. 9,000 - Rs. 12,000)
3) 2 Female Warden cum Teachers - Graduate / PG (Rs. 11,000 - Rs. 15,000)
4) 2 Boarding Mothers & 2 Boarding Securities (Rs. 7,000 - Rs. 12,000)

*Please contact :*
**8798754418 / 6009017578**
HL-P/6241/20

ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔ / **দ্রাইভর পামজৈ**

য়োৎ অমসুং সিমেন্ট দুকানগী TATA DI নীংথিনা থৌবা হৈবা মীওই ৪ অথুবগী পামজৈ। ইমুং-মনুং পূন্না লৈবগী খুদোংচাবসু লৈজগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর - 9362582709 অসিদা ফোন তৌবীরক্তুনা তানবীয়ু। মফম্না - খুরাই সাজোর লৈকাই। HL-P/6331/20


ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্নবা, য়ুম-ইঞ্চোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-P/5958/18/2-23/3

**ꯇꯥꯕꯤꯖ / অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা চাথৎপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু কংবা, শা-ঙা য়াম্না তোয়না চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা চাথৎপা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা হাম্লকপা তারগদি চাথৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অমদি নাবা, শাবা তৌবা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ ফবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা অদু চাওথোরকপা অমুকসু শাংদোরকপা, শা-ঙা য়াম্না তোয়না চাবা য়াদবা, শা-ঙা য়াম্না তোয়না চাবা তারগদি অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অমদি ঈসু দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমুকসু তোয়না তোকপা য়াদবা, অমুকসু তোয়না তোকপা তারগদি অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌবা অমদি ঈসু দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, শা-ঙা তোয়না চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈবা খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খজিক-খজিক মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা শাগৎপা অমদি নাবা, খোঙাং শাবা, ফম্বী শোনবা অমদি ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱাৰ্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Ng. Tomba Meitei**
Chirang Maning Leikai
HL-B/8049/20

# নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীদা মীরেপ ওইখিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ২,০০,০০০; প্রেমিয়ম লুপা ২০,৮২৭; ৱান টাইম পেমেন্টদা লুপা ২,০০,০০০; প্রেমিয়ম লুপা ৬১,১৩৬; ৱান টাইম পেমেন্টদা লুপা ১,৫০,০০০; ঐচ দি এফ সী লাইফ পোলিসিদা প্রেমিয়ম লুপা ৯৫,১৩৯; এল আই সী পোলিসিদা ৱান টাইম পেমেন্টদা লুপা ২০,০০,০০০ অমদি এল আই সী সিঙ্গল দিপোজিৎদা লুপা ৫৩,৭৭৯ নচিংবা ইনভেষ্ট তৌখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবগী মীংদা এল আই সী পোলিসিদা প্রেমিয়ম লুপা ৪৫,৫৩০; বজাজ এলাএঞ্জ পোলিসিদা প্রেমিয়ম ওইনা লুপা ১০,০০০; প্রোপোজেল দিপোজিৎতা লুপা ৪৭,২৩৮ ইনভেষ্ট তৌখি। অদুগা মহাক্কী মচানুপা সোটিনকুমারগী মীংদসু ঐচ দি এফ সী লাইফ পোলিসিদা প্রেমিয়ম ওইনা লুপা ৪৮,১৬৯ ইনভেষ্ট তৌখি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১১দা চাওরাক্না লুপা লাক্ষ ৪.৪৯ লোমগী ওইগদবা মারুটি এষ্টার অমা লৈখি। কুমজা ২০১৭তনা চাওরাক্না লুপা ১০,৬০,৭৬৬ লোম ওইগদবা নিস্‌সান সনি অমা লৈখি। লোয়নবীগী মীংদনা কুমজা ২০২১দা চাওরাক্না লুপা ৯৭,৩২৬ লোম ওইগদবা হোন্দা এক্টিভা অমা লৈখি। কুমজা ২০১৩দা মহাক্কী মচানুপাগী মীংদা চাওরাক্না লুপা ৫৩,০০০ লোম ওইগদবা হিরো হোন্দা প্লেজর অমা লৈখি। লোয়নবীগী মীংদা চাওরাক্না লুপা ১,৯২,০০০ লোম ওইগদবা সনা টোলা ৬ লোম লৈ। সোইবম সুভাশচন্দ্রগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম অসি লুপা ৫০,২৩,২৪৬ ওইখি। লোয়নবীগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম অসিনা লুপা ৪,৫২,০৯৪ ওইখি। অদুগা দিপেন্দেন্ট ১ মচানুপা সোটিনকুমারগী অপুনবা লনথুমগী শেনফম অসিনা লুপা ১৭,০২,৬০৮ ওইখি।

মহাক্কী মীংদা নিংঙোম্বমদা একর ০.৩২ লোম পাক চাওবা এগ্রিকলচর লেন্দ লৈ। অদুগা মহাক্কী মচানুপা সোটিনকুমারগী মীংদা নিংঙোম্বমদা অমদি শামুরৌগী তোঙান-তোঙানবা লৌফমশিংদা পুন্না একর ৮.৪৫ লোম পাক চাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী মচানুপী দিপেন্দেন্ট ২ ওলিভিয়া সোইবমগী মীংদসু হিয়াংথাংগী তোঙান-তোঙানবা লৌফমশিংদা পুন্না একর ২.৩ লোম পাক চাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। মহাক্কী মীংদা নিংঙোম্বমদা স্কৱার ফিট ১৮,২৮৬.৮ লোম পাক চাওবা নন-এগ্রিকলচর লেন্দ লৈ। রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং নিংঙোম্বমদা স্কৱার ফিট ৪৯,১৫৫ লোম পাক চাওবা মফমদা লৈ। মহাক্কী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৫৩,৫৩,০০০ ওইখি। অদুগা গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজনা লুপা ১২,৫০,১০০ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৫,০২,৮৮০ ওইখি।

# হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱায়েল চত্থরক্লিবা ইলেক্সন...

*লামায় ১গী মখা...* মশামক্না জুন ১, ২০২২দা পিটিসন অসিবু লৌখৎতুনা খন্নরক্লিবা হায় কোর্টকী বেঞ্চতা হায়জরক্তুনা ৱিথদ্রো তৌখিবনি। পিটিসন অমা ৱিথদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা বেঞ্চশিংদা ৱায়েল চত্থরক্লিবা পিটিসনশিংনা ৩৫নি।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নরশিংনা এম এল এ ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌনরকপা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী মনুংদা এম এল এ অমনা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসন অমদগী হেন্দোক্তুনা অনী অমসুং অহুম মায়োক্নবসু য়াওবগা লোয়ননা পিটিস্নরশিং অসিগী মরক্তগী খরনা মখোয়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী রুলশিং অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট ১৯৫০নচিংবগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মরী লৈনবা কোর্টতা ৱাকৎখিবা চহী অমা ফাবসু য়াওশিল্লক্লবনা য়ারিবমখৈ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিবু লেপ্তুনা ৱায়েল চত্থবীদুনা অথুবা মতমদা ফংফম থোকপা লোগী মতুং ইনবা ৱায়েলশিং ফংহনবীবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

হৌজিক ৱায়েল চত্থরিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৫ অসিগী মনুংদগী অকক্লবা পিটিসন অমগী পিটিস্নর অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদদি মহাক্কী পিটিসন অসিগী ৱায়েল য়ৈথোক্তুনা লৈরে, মখা তাবা ৱায়েল চত্থনবগী থবক পাঙথোক্ত্রে হায়নসু ফোঙদোরকপা য়াওখি। মহাক খক্তা নত্তনা ইলেক্সন পিটিসনশিং মায়োক্নরিবা এম এল এশিংগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা লৈরিবা মীওই খরনসু লানবা চুম্বা হায়বসিদি কোর্টনা মরী লৈনবা ঈ সী আই অমসুং আর পি এক্টকী সেক্সনশিংগী মতুংইন্না ৱায়েল চত্থরগা লেপকদবনি। হৌজিক চত্থরক্লিবা ৱায়েলশিং অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপদা পিটিস্নরনা প্রেয়র তৌরকপশিং অদুগী মতুংইন্না কোর্টনা ৱায়েল পীরকপসু য়াই নৎত্রগা পিটিস্নরশিংনা প্রেয়র তৌরক্লিবা ৱাফমশিং অদু মরম চাদে হায়দুনা কোর্টনা মরী লৈনবা এক্টশিংগী মতুংইন্না ককথৎখিবসু য়াই। তৌবতবু অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা মতমদদি ইলেক্সন পিটিসন ৩৫ অসিগী ঙানি-ঈশিংনি হায়বদু চপ চানা খঙগদৌরিবনি। মসিমক্না ইলেক্সন পিটিসন ৩৫ অসিগী অরোইবা ৱায়েল অথুবা মতমদা পীবিরবদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লো অমসুং লো কোর্টপু হেন্না ইকায়খুম্নবা অমসুং থাজবা হেনগৎলক্কনি হায়না ফোঙদোরকপসু য়াওই।

অদুগা ইলেক্সন পিটিসন মায়োক্লরিবা এম এল এশিংগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি খরগী ইলেক্টরশিংনা ফোঙদোরকপদনা মমাঙগী কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসন ১০গী মথক্তা ফাইল তৌনরখি। ইলেক্সন পিটিসনশিং অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ৱায়েল চত্থফম থোকপা মতমগী মনুংদা চত্থদ্রে অমসুং ৱায়েলগী থবক্তা মতম শাংনা চঙলে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া তান্না চৎতুনা ৱাকৎনরুবসু য়াওখি। লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টনা দিরেক্সন পীরকপদগী অকক্নবা মতমগী মনুংদা অরোইবা ৱায়েল পুরক্লবা হোৎনবসু য়াওখি। মসিগী মথক্তা অকক্নবা কেস খরগীদি অরোইবা ৱায়েল লাউথোকখিবগা লোয়ননা এম এল এনি হায়না লাউথোক্লুরবশিং কোর্টনা ককথৎতুনা এম এল এ ওইহনখিদবা য়াওখি। মখোয়গী মহুত্তা ইলেক্সন পিটিসন ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নর খরবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মেম্বরনি হায়না নৌহৌননা ৱাশক লৌবসু য়াওখি। অদুগা খ্বাইদগী লাইবক থীবা হায়গদ্রা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মতম অদু লোইশিন্দুনা হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা এসেম্বলি অসিগী মীখল পাঙথোক্লুবগী মতম ঈ সী আইনা লাউথোকখিবা ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অরোইবা ৱায়েল চত্থবা ঙমখিদবা ইলেক্সন পিটিসন খরসু য়াওখি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা বেঞ্চশিংদা ৱায়েল চত্থরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈননা পিটিস্নর খরনা অমসুং ইলেক্সন পিটিসন মায়োক্ল রিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ইলেক্টর খরনা ফোঙদোক্লরকপা ৱাফমশিংগী মতাংদা পাউচে অসিনা ইলেক্সন পিটিসনশিং খূৎপায়নরিবা কাউন্সেল খরদা হংখিবদদি অরোইবা ৱায়েল থুনা পুরকপা পাম্বসি ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিবু ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদনা য়াম্মী। অদুগা ইলেক্সন পিটিসনশিং মায়োক্ল রিবা এম এল এশিংগী মায়কৈদগীদি অথুবা ৱায়েল পুরকপা পাম্বগী মশীং য়াম্না থেংনদে। মসিগী মহুত্তা য়ারিবমখৈ মখোয়গী মায়োক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী ৱায়েল থেংথনবা/য়ৈথোক্লবা হোৎনবরোমদা পূক্নিং চঙনবা য়াওই। অদুগা হৌজিক চহী ১ ফাজিল্লকপসু য়াওরবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী অরোইবা ৱায়েল কোর্টনা পীদ্রি হায়বা ৱাফমগী মতাংদদি কাউন্সেলশিংনা ফোঙদোরকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগীদি অতম্ননা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী ৱায়েল চত্থদবা/লৌখৎতবা য়াওদ্রি। কোর্টনা খোঙলৈ থুনা ৱায়েল চত্থরকপদগী অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৬কী মনুংদা অমা ৱিথদ্রো তৌখ্রগা লেমহৌরিবা ৩৫গী মনুংদা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী অরোইবা ৱায়েল চত্থনবগী লম্বী শেন্নিবা 'ইস্যু' শিং ফ্রেম তৌবগী থাক ফাওবা য়ৌবা য়াওরে। অদুগা ইলেক্সন পিটিসন খরগীনা হিয়ারিংদা 'পার্ট হার্দ' গী ষ্টেজদা চঙশিল্লকপা য়াওরে হায়রি।

কোর্টকী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবদা য়ারিবমখৈ ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী অরোইবা ৱায়েল অথুবা মতমদা পুরক্লবা হোৎনরি। অদুবু ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এশিং য়াওনা অতৈ মীওইশিংনা মপূং ওইবা (ম্যেন পিটিসন) ইলেক্সন পিটিসন অদুগা মরী লৈননা পিটিসনশিং অসিগী মরক্তা খরগীদা কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নফম থোক্তে, মেন্টেনেবল ওইদে নৎত্রগা মরম চাদে হায়বনচিংবা ৱাকৎশিং ফোঙদোকপা মিসেলিনস কেস কয়াসু মথং মথং ফাইল তৌনরকপা য়াওই। অদুগা ইলেক্সন পিটিসনশিংগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টনচিংবা সবমিসন তৌনবা মতমদসু কোর্টকী অয়াবা লৌগদবনি, লৌদনা তৌবা য়াওরে অমসুং লৌফম থোকই হায়বনচিংবা ৱাকৎ মচা মচাশিংসু অমগী মথংদা অমা লেপ্তুনা ফাইল তৌনরকপা অদুগা মসিগী মায়োক্তসু ইলেক্সন পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগীসু অমুক অওক ওকথোং তৌদুনা ৱাকৎ মচা মচা হায়বদি মিসেলিনস কেস ওইনা মথং মথং ফাইল তৌনরকপনা হায়রিবা ৱাকৎশিং অসিসু হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরগা দিস্পোজ তৌদবা য়াদবনিনা অসিগুম্বশিং অসিগী অরোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিঙৈদা মপূং ওইবা (ম্যেন কেস) ইলেক্সন পিটিসনশিংদা চঙশিল্লক্তুনা ৱায়েল চত্থবগী থবক পায়খৎলকপদা মতম চঙবননি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা বেঞ্চশিংদা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী ৱায়েল নোংমতা কাংদনা কোর্টকী সিট্টিং লৈবা নুমিৎশিংদা লেপ্তুনা লিষ্ট তৌবসু য়াওরকপগা ইরোয়ননা হয়েং (মার্চ ২০) দা মখা তাবা ৱায়েল চত্থনবগীদমক লিষ্ট তৌরিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংনা কোর্ট অসিগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা ইলেক্সন নম্বর ৩ ওফ ২০২২ মসিগা লোয়নবা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন/ মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) শিং য়াওরি। কেস অসিগা চপ মান্ননা অতোপ্পা লিষ্ট তৌরবা কেসশিংনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৭ ওফ ২০২২, ইকেক্সন পিটিসন নম্বর ২৫ ওফ ২০২২, ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩২ ওফ ২০২২, ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২০ ওফ ২০২২, ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২ য়াওরি হায়রি।

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATED**
Timing 6.30 am to 9.30am
Contact no.8787632782, 9366471778
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09.30am to 12.30pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 16/02/2023
**BOOKING UPTO: 24/02/2023**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
For homedelivery:-
Area:
1.Keishampat
2.Khagempalli
3.Kwakeithel
4.Tiddim and Mayai lambi road.
5. Wangkhei
6. Singjamei
7. New Checkon, Palace Compound, Hatta
8. Samurou
9. Langol and National Game Village.
10. Kshetrigao, Naharup and Irilbung.
Please contact through Calls/ SMS/Whatsapp -9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date.**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30.
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg. please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 09-02-23**
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

Moulding Career & Igniting Young Minds
**APOLLO ACADEMY**
Kwakeithel Akham Leikai, Airport Road-01
**REGISTRATION OPEN**
**CUET (UG)**
Common University Entrance Test (2023)
**UNDER GRADUATE TESTS**
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)
**ELIGIBILITY:-**
XII Science and XII Arts appeared/passed



Kaluanthui G.
(St. Stephen's College, DU) CUET - 2022



Chuimatai M.
(St. Stephen's College, DU) CUET - 2022



A. Nongshaba
(B.R. Ambedkar College, DU, CUET - 2022)

Classes available for Paper I, II & III
Avail Hostel seats for Girls (Limited Seats)
**CLASS STARTS :** 27th March, 2023
For more details pliz visit Apollo Office, Kwakeithel, Near AMUCO Office (8 am. to 3 p.m.)
HL-B/8008/18,19,20,21,22,24,25